ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
Sunday, January 13, 2019, Imphal


ৱারী ককনাউ

## পাবগী কোক

ঐগী কাদা ইনাওনুপা অনীদুনে, ইচাখেনে, য়াম্মে, পূন্না তরুক ফম্মী। ঙসিদি ফম্ফমদু নীংথিনা শেম্মী। ঙসি অয়ূক ঐখোয় চাক চাদে। চরা হেল্লি। নুমিৎসিমদি ঐখোয় ঙাকসি হায়না চহী খুদিংগী চাদবনি। হৌজিক নুমিদাং ওইনা চাবনি। চাকচাবা তোক্লগা ঐখোয় কোয়না ৱারী শাদুনা ফল্লম্বনি। ঐগী নুপীনে, ইনাওনুপী অনীদুনে, ঐখোয় ময়ামগী হৈ মহী হৈদুনা পুরকই। এপল খরা অমসু খোক্তুনা পুরকই। টেবলদা থম্মী।

"ৱারী হৌখ্রবরা? ঐগী নুপীনা হংই ফম্না-ফম্না"

"ৱারী তাহৌনবা হায়দুনা থুনা শেন্নকইনি, কোনগা কোন্না ফংঙসি হায়না ইচেদো হায়রম্মীনি" ইনাওনুপী য়াইমদুনা ওকশিল্লকই।

"তামো, হৈ সে অমুক্তা ইতৈহোয়দা লানবীয়ুবা, সুম য়েং লৈ। ঐদি য়ূমসিদা খরসু নৌরিবনিনা ৱারীসে তানীংমন্দুনা ইঙাও ঙাওরে" ইনাওনুপী অতোনবীদুনা মায় নুপা, ঐগী ইনাও অতোনবদুদা নাসোন পিক্না হায়। মখোয়গী ৱা ময়ামদু তারগা ঐ মিৎতগী পিবু তাগে তৌই। অসিগুম্বা পুন্সিরোল অমা ঐখোয় পাবনা শাগৎনবা ঐখোয়না পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা হোৎনরকখিবদো হৌজিক্তদা খঙলকপনি। অদুবু নুংঙাইবা পুন্সি অসি উবা ফংদনা পাবদি লৈখিদ্রে। হৈ মহীদু য়াউম অমতং চিংলগা ঐনা ৱারী লীবা হৌই।

"ঐখোয় য়াম্না ৱানা হৌরকই। অদুবু পাবনা ঐখোয়বু ইক্তুনা শেন্নকই। লাইরিক তমহল্লি, ইশাগী ইথৌ মতম চানা পাঙথোকহল্লি। অরেম্বদা মতম মাঙহল্লক্তে। নোং হেক ঙানবদগী ঐখোয় পাবনা মচা ঐখোয়বু শেম্নবা হোৎনবদা থাদরিবা কোক অমদি পাঙ্গলসিদি অরোইবীনি। ঐখোয় পাবসি মরীল লৈবৈ ৱানি মরীলদি লৈতে। পাবনা হায়বদা মায় মরলসি ঐখোয়নি হায়। মতমদুদা মদুগী ৱাহন্থোক ঐখোয় খঙখিদে।"

ৱারীদুগী মরক থৎনা ইনাও য়াইমনা মখা তারকই।

"ইমান্নবনা তেলঙ্গা ৱাংনা ৱাংনা পাইদুনা শান্নবদু ঐখোয় য়াম্না য়াওনীংখি, অদুবু য়াওবা ফংলক্তে। মদুগী মতমদু ঐখোয় ইখ্বোলদা মনা-মশিং থাদুনা, ঈশিং চাইদুনা লৈ।"

"ঙক্রাগা শোইবুমগা থোংবা হাওই হায়না মীনা হায়নরসু ঐখোয়দি মদুগী মহাও খঙখিদে। অদুনা মীনা হায়বদু তাবদগী হেন্না কৈসু কম্মেন্ট পীবা ঙমখিদে। মরমদি ঐখোয় মদু অমুক্তা চাবা ফংলক্তে। খোংবান শিৎপদা ঙক্রা ফাই, উকাবী ফাই, ঙা অতৈসু য়াম ফাই, ঐখোয়দি চাদে, লোইনা য়োল্লি, মদুগী শেলদুনা ইমুং পুরকই"। ইনাও ইতোন তোনবদুনা মখা শমথৈ।

"অনৌবা ক্লাস অমা কাবদা চহী অনী শেৎনরবা থুনফম শেগাইদুনা হন্না হন্না ফোৎলবা খোঙ্গ্রাওদু শেৎলগা স্কুল চৎলকই। ইমান্নবশিংনা নোক্নবা য়াওখি। মতমদুদা ঐখোয়না ইকায়খি। কুম্মৈ ফিয়োং কয়া খোঙ্গ্রাও শেগাইবা শেৎলগা য়াওবা ইকায়বদগী য়াম্না মিস তৌখি। য়াহৌগা খিত্তং থেংনা হৌগৎপদা তূম্মিঙৈদা মায়দা ঈশিং হৈজিন্দুনা হৌদোকই। খংপ্রেক খংনা হৌগৎলগা ইখ্বোলদা তেম্পাক লৈতুম থুগাইরগা আলু থানবা চুরি হাইগৎখি" ঐগী ৱাদুদা ইনাও য়াইমগী মচানুপাদুনা য়াম্না নুংঙাইতনা হংলকই।

"বাচৌ করিগীনো ধৌধৌনা খোঙ্গ্রাও শেগাইবা শেৎহল্লিদো, নুংশিদবগীরা?"

ময়াম ৱা লাউনা নোকই। অদুবু ইনাও য়াইমনা তাপ লাউনা অমুক ওকখি।

"মতমদুদা নোই বাচৌনে, নতোননে, ঐনে, খন্নে, ঐখোয়সিবু মীগী মচারা, মানা য়োকপজাৎলা?"

অমুকসু ময়াম ৱা লাউনা নোকই।

"অমত্তা নত্তে, ঐখোয়বু নুংশিবগীনি, মী ওইহন্নীংবগীনি, ইশাগী ইথৌ মশক খঙননবনি, মদু হৌজিক্তদা খঙলকই। নখোয় ধৌধৌনা য়াম্না ৱানা ঐখোয়বু শেন্নকখিবনি। ঙসি ঐখোয়না মাগী মফমদা চপ চানা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা নীংশিংলিবসে, মহাক্কী কোক অদু ঐখোয় খুদিংমক্তসু লৈহৌনবনি। ৱারবসু মহাক ৱাই হায়খিদে, ঐখোয়গী মাঙদা অৱাবা অমত্তা উৎখিদে। ঐখোয়না চাবদু মানা পেন্না য়েংলগা মানা চরা হেনখি" ঐনা ইচাশিংদা অমদি মৌশিংদা হায়খি।

মৌশিং ৱারীদু মুন্না তাই। ঐনা শুপচিল্লগা মখা ৱারী তাথৈ।

"বাচৌ ঐখোয় চহী খুদিংগী ধৌধৌবু নীংশিংসিকো"

"ইনাওশা, ইমুং অসিগী ত্রেদিসন ঐখোয় খঙনা নুংশিনা লৈমিন্নগদবনি। ইমুং অসিগী ইন্টিগ্রিটি ঐখোয়না ঙাক শেনগদবনিকো, নখোয়না খঙহৌদবননি, ইকুদো য়াম্না নুংশি, অদুক শোল্লবা ফাওবদা ঐঙোন্দা নুংতিগী পাউতাক পীবা তোকখিদে। মশক খঙদ্রিবা নখোয়বুসু হয়েং লাক্লগা নঙনা চিখোন নাওকোনগদবনিকো হায়না শিন্নরম্মী" ঐগী নুপীদো ৱাসি হায়রগা কপথোরকই। ইনাও নুপী অনীনা মচেগী নাক য়েৎতা চঙশিন্দুনা পি তৈথোক্লগা থেম্মী।

"ইচে ঐখোয়দি ইচেনা হায়বা খুদিংমক ইনগনি, ইচেনা ঐখোয়গী ইমানি।"

ঐগী ইচানুপী অহলনসু ৱাপাংশিল্লকই।

"ববা, পুপুদো ঐখোয়গীদি লাইনি, অতৈ লাই লাৎত্রসু পুপুবু খুরুম্বনা হেন্না ফৈ"

অতৈ ইচাশিংসু য়াওশিল্লকই। "ঐখোয়দি পুপু ওইনা খুরম্মনি"

"লায়রবা পাবগী কোকনা ঐখোয় অসি য়ৌরক্লিবনি, পাবগী কোক অসে ঐখোয়না শুথাং নাইনা পুথগদবনিকো" ঐনা ৱাতেমশিল্লি।।◀◀

- *নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## নুংতিগী শৈহৌ ফহল্লু

*নোংমগী* অয়ূক্কী শৈহৌদুনা নুমিত্তুগী মশক লেপকদৌরিবনি। হেক য়াহৌবা মতুংগী মিনট ৩০গী মতম অদু ঐনদি 'প্লাটিনম ৩০' হায়না কৌজে, মরমদি হায়রিবা মতমসিনা নহাক্কী নোংমদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা মতমনি লোয়ননা মতুং তারকপা মীৎকুপ খুদিংদা চাউনা মমি তাহল্লিবা মতমনি। করিগুম্বা নহাক্না ৱাখল লৈজদুনা, ইশানা ইশাবু লাকশিনবা ঙমজদুনা হায়রিবা পোমায় হাংবা মতম অসিদা খ্বাইদগী শেংবা ৱাখলশিং অদুতা খল্লবা অমদি খ্বাইদগী লুনা ফবা থবকশিং অদুখক পায়খৎলবা অদু ওইরবদি মখা তারকপা নহাক্কী নুমিৎতুগী মতম পুংজাশিং অদু কয়াদা লুনা-নান্না, নুংঙাইনা থবক তৌবা য়াবগে হায়বদু শোয়দনা উবা ফংগনি।

হন্দক ঐগী ইচা অনী পুদুনা **IMAX** কী থ্রিলর ফিল্ম *এবরেষ্ট* হায়বদু য়েংবা চৎমিন্নরুই। থম্মোয় হুবা ইমেজরী অমদি অকন-অথৌগী শাফু লৈরবা কুম্মৈশিংদুগী ৱাফম ঙাক নত্তনা ঐনা কাউবা য়াদবা ৱাফম অমগা লৈরি: চীংকারোয়শিংদুনা চীংদোন লোম্নবগীদমক, মতিক চাবা বেজ কেম্প অমা মখোয়না শেমগত্তবা য়ারমদে। মতোন য়ৌনা কানবগীদমক মখোঙ অদুৱাইদা পোত্থাফম, পোৎ অৱাৎ-অপা মেনখৎফম ওইগদবা শঙ অমা থমদবা য়াদবনি। মদুদগী কাখত্তুনা অনীশুবা কেম্প য়ৌরুরগা মচাক অমুক হানজিন্নবা মখোয় অদুনা বেজ কেম্প অদুদা অমুক কুমথরক্তুনা চয়োল খরা অমুক পোত্থাই। মথংদা কাখত্তুনা কেম্প অহুমশুবা য়ৌরে। য়ৌরগা বেজ কেম্পতা অমুক কুমথরগা অহৈবা ওইনা চীংদোল য়ৌনা কানবগীদমক শেম শাবগী থবক চথৈ। মতৌ অসিগুমদুনা, ঐনা খনবদা ঐখোয় খুদিংমক ইশা-ইশাগী চীংদোল য়ৌনবা অমদি ইশাগী পুন্সিনা নুংতিগী থেংনরিবা মায়োক্নবশিংবু লাকশিনবা ঙম্নবা ঐখোয়গী 'প্লাটিনম ৩০' অসিবু বেজ কেম্প ওইনা লৌরগা মদুদা অমুক অমুক কুমথবা চঙই। ঐখোয়না ইশাগী পুন্সিগী পন্থুংগা শম্নবা ঙমগদবা, ইশাবু অমুক নৌথোকহনগদবা অমদি মরুওইবদগী মরুওইবনি হায়না খল্লবা পোৎশকশিং অদুদা মীৎয়েং পান্দম মপূং ফানা থম্নবা তুংনফম ওইবা মফম অমা তঙাইফদনা চঙই।

ঐগী ওইনদি থবক ওইনা কান্নরবা অহৌবদগী পূক্নিং মকা লাম্বা অমদি অঙৈংবতনা থল্লবা অয়ূক্কী থৌরম অমা পায়খৎচরে। মীকপ থোক্লবা মতুংদা ঐনা 'ঐগী ইশাইগোন' কৌজবা নোংমদুগী পুন্সি নৌথোকহন্নবগী শাজেল শান্নফম অহাঙবা মচেৎ অদুদা চৎলি। ঐবু কনামত্তনা য়েৎলরোইদবা মফম অমা খল্লিবনি, মদুনি ঐগী ইশাইগোন। মথংদা মিনট তরামঙাগী মতম ৱা ঙাঙদনা ঐগী পুন্সিদা থোকখিবা অফবা মতাংশিংদুগী মরমদা নীংশিংদুনা, অদুগা হায়রিবা নুমিৎ অদুদা মখা তারকপা পুংজাশিংদা থোক্লবা য়াবা, ঐনা পাঙথোকপা য়াবা, পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম কয়াগী মরমদা মুন্না ৱাখল তৌই। মথংদা লৌশিংগী লমজিং পীবা লাইরিকশিংগী মরক্তগী অমা লৌখৎলি। অকক্নবা মতম হায়বা লৈতনা মায় পাক্না হিংবগী মরমদা লমজিং তাকপা অচুম্বতনা থন্না য়াওরবা হৌজিক মতমগী খোঙজেল য়াঙলবা পুন্সি মরেলগী ঈচেলসিদা হেক হেক কাউথোক্লরবা অচুম্বা পাউতাক, লমজিংতনা থল্লবা লাইরিক অদুবুনি খনগৎলিবসি। - খুদম ওইনা ঐনা পারিবশিংদুদা য়াওরি রোমান ৱাংউরোয় মার্কস্ ঔরেলিয়সকী *মেদিটেশন্স* অদুগা *দি ওটোবাইওগ্রাফি ওফ বেঞ্জামিন ফ্রাংকলিন* অমদি হেনরি দেবিদ থোরিওগী *ৱাখলদ*নি। অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদা য়াওরিবা পারাশিং অসিনা তশেংনা মচং ওইবা থবকশিং অদুবু ঐঙোন্দা থিন্দুনা তাকপী অমদি ঐনা নোংমদুগী ওইনা মখা চত্থগদবা থবকশিংদু খোঙফম চুম্না খোঙ থাংবা হৌহল্লি। অদুগা অয়ূক অঙনবগী তাঙলবা মীৎকুপ খরদুদা ফংজহৌবা লৌশিংগী ৱারোলশিং অদুনা ঐগী নোংমদুদা মখাদা লাক্কদৌরিবা মীৎকুপ খুদিংবু মচাক্না থল্লবা অমদি মঙাল নাইরবা মতম হায়বদু ওইহল্লি। অদুনা ইশাগী নোংমগী অহৌবা শরুক্তা শৈহৌ ফহনবীয়ু। নহাক শোয়দনমক্কী অতোপ্পা মীওই অমা ওল্লক্কনি।◀◀

*(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক 'নহাক্না শিরগা কনানা কপহৌগনি?' হায়বদুদগী লৌখৎচবা)*

মতম মতমগী ৱাফম

# অকাউ পরৈনখ্রবী কংলৈ চনু লৈমরেন্বী ইন্দুপ্রভা



ইন্দুপ্রভানা লৈরম্বা ডিমাসাগী কোনুংগী শরুক খর,



ইন্দুপ্রভানা ইরুজনরম্বা পুখ্রি মনাক্কী মফম

*মণিপুরগী* পুৱারীগী তাক্ককশিংদা থোকখ্রবা থৌদোকশিং অসি ঐখোয়না খঙদবা কয়া লৈরি। কুইমনখিবনা নীংশিংনদবসু কোঙ্গাইনি। পুৱারী নৈনবা, হিষ্ট্রিয়ানশিং (ইতিহাসকারশিং) অয়াম্বসু নীংশিংনদবা কয়া থেংনৈ। মণিপুরগী তম্পাক্তা খূন্দরিবা ঙসি খঙনরিবা য়েক শল্লাই তরেৎকী অপূনবা মীওই কাঙলুপশিং, হৌজিক্না অপূনবদা 'মৈতৈ' হায়না খঙনরিবা কাঙলুপ অসিনা খুন্দাদুনা লৈরিবসি মণিপুর খক্তদা নত্তনা অপর অসামগী শরুকশিং (কছার, হোজাই), বঙ্গলাদেশ, ম্যানমার অমদি মপান লৈবাকশিংদা চোইনা চোইনা লৈরি।

বঙ্গলাদেশ, ম্যানমারনচিংবদা অমদি অতৈ মফমশিংদা খূন্দাখিবা মৈতৈশিংগী ৱারী লৈরি। ৱারেং অসিদা থমজনিংলিবসিদি কছার লমদমদা খূন্দদুনা লৈখ্রিবা মৈতৈশিংগী মতাংদনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা কছার হায়না য়াম্না লাপ্না খঙনরকই। কছার হায়বসি য়ূমথংনবা অসামদনি। অনকপা মফম্নি। অসামগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা পংচাও চাওদবা ডিষ্ট্রিক মচা মচাশিং মরুওইনা সিলচর,ফুলেটর,নাওগাও,সিবসাগর, বোন টেরাপুর, সোনাই, লক্ষিপুর, জারিবন, উধারবোন, সিংগ্রিবোন..অসিনচিংবা মফমশিং অসিদা হৌজিক হেজিক মৈতৈ য়াম্না খূন্দাদুনা লৈরি। মফমশিং অসিদা খূন্দরিবশিং অসি মণিপুর লমদম অসিদগী চহী কয়ামুক্কী মমাংদগী চৎখিবা ঙাক্তনি। মখোয়না মপান লৈবাক্তা খূন্দখিবগী ৱারীশিং লৈরি। মণিপুরদা মশীং খঙদনা হৌরকখিবা অৱাগী লান অমদি অতৈ কাঙলুপ মশেলগী থোকখিবা থৌদোক খরদা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা চৎনখিবশিংদগীনি হায়বসি লাইরিক লাইশু খরদগী খঙবা ঙম্মী। 'অৱা লানকায়বা' হায়বসি ঐখোয় মৈতৈশিংনা ঙসিফাওবা য়াম্না মরুওইবা ওইনা হায়নরিবনি। মতৈশিংনা য়ূম-কৈ থাদোক্তুনা মপানদা লৈখিবশিংগা 'অৱা লানকায়বা' গা য়াম্নমক মরি লৈনৈ।

মৈদিংঙু পামহৈবা (গরিবনিৱাজ)গী মচানুপী কছারগী মহারাণী ওইখিবা হরিপ্রিয়া,গৌরশ্যামগী মচানুপী ফোংদালোকপী 'কুরঙ্গনয়নী' হায়না মিংথোনখিবী অহোমগী মহারাণী ওইখি, মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী মচাইবেম্মা তম্ফা ৱাঙমলোন হরিশেশ্বরী ত্রিপুরাগী মহারাণী ওইখি। মৈদিংঙু /ৱাঙম নিংথৌ মধু চন্দ্রগী মামোম,ইন্দু প্রভা,অসাম ডিমাসাগী মহারাণী ওইখি। কুইদ্রিবা মতম চাউরাক্না ঙসিদগী চহী চহুম খরা হেনবগী ৱারী ঙাক্তনি। ঐখোয়না মরুওইনা ঙসিগী মীরোন্না হৌখিবা পুৱারীগী চেনা ফাকখৎতুনা মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপীশিংনা অসামদা পানখিবা তোঙান তোঙনবা নিংথৌশিংগী লৈমরেন্বী ওইদুনা পানখিবশিংগী ৱারী ৱাখোং নৈনদুনা খঙনবা হোৎনবা ৱাৎলি।

ঐখোয়গী হিষ্ট্রিয়ানশিং লাইরিক লাইশু য়াম্না পাদুনা নৈনখি অদুবু ৱারী ৱাখোং ময়েক শেংনা থম্বীরমদবা কয়ানা ঙসি হৌজিক্কী মতম অসিদা ৱায়েৎ ওইনহৌরি। মণিপুরগী মরুওইখ্রবা নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রা মহারাজগী পোকপগী চহী ফাওবা পংহায় হায়নৈ। মণিপুর হেক ৱাংমা লানখিবদা মণিপুরগী থৌদোক ৱারী খুদিংমক মরী লৈনদবগুম নাথৈদুনা থম্বা থেংনৈ। লূম্না লৌনদে। মৈতৈ নিংথৌশিংগী মজা ইবেম্মশিং মপান লৈবাক্তা মহারাণী ওইখিবশিং মথক্তা পঞ্জখ্রিবা-হরিপ্রিয়া, কুরঙ্গনয়নী, হরিশেশ্বরী অমদি ইন্দু প্রভানচিংবগী ৱারী ঐখোয়না নীংশিংনদে। মখোয় লোয়নমক মৈতৈ চনু ঙাক্তনি। মখোয়গী মতীক মথৌনা ঐখোয়না শীংথানদ্রি। লৈপাক অমমমগী মহারাণী ওইদুনা লৈপাক ঙাকখিবী লুচিংবী ঙাক্তনি। অসামগী ইতিহাসতা মখোয়গী মমিং শীংথানরি। পোক্নফম লমদম মণিপুরদনা মখোয়গী মমিং পন্নবদি লাইরদনা ৱারী ফাওবা খঙদবনা নল্লি মসি কনাগী মরাল ওইগদগে। ঐখোয়গী হিষ্ট্রিয়ানশিংনসু পনবা, নৈনদুনা ৱারেং ইবা তাংনা থোক্লি।

লাইবক ফবদগী হায়জবা তাই হন্দক জরাহরলাল নেহরু মণিপুরী ডান্স একাদেমীনা মমাংগী চহীদা একাদেমী অসিগী বেলেট ইয়ুনিটনা 'কুরঙ্গনয়ণী' হায়বা ডান্স ড্রামা নৌনা পুথোকখি। 'কুরঙ্গনয়ণী' হায়বা ডান্স ড্রামা অদু দেবজানি চালিয়ানা ইচম চম্না ইবা ষ্টোরী অমখক্লি। ইকায়খূম্নজরিবা কোরিওগ্রফর ওঝা চাওতোম্বীনা লেঙবীরক্তুনা বেলে অদু পানখৎনবা স্কৃপ্ট সিক্কেন্স শেম্নবা তাকপীরক্তুনা ঐহাক্না মতেং পাংজখি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি ইতিহাসকী পারা অমা ওইনা তমখিবা তাখিবখক্তনি। য়াম্না কুপথনা খঙখিদে। হন্দক বেলে পানখৎনবা নৈনরকপদা মতমদা ফজনা খঙবা ঙমখি। কান্নবা য়াম্না ফংজখি। ডা.কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বম (অইবা, হিষ্ট্রিয়ান) খঙনজদুনা মখাতানা মণিপুরগী পুৱারীগী থৌদোক ৱারীশিং কছার, অসামদা লৈখ্রিবশিংগী থিজিনজরুবদা লৈমরেন্বী ইন্দুপ্রভাগী থৌদোক ৱারীগী মতাংদা খরদি খঙজবা ফংঙি। চূম্নগী লাইরিক ওইনা পাজবতা নত্তনা অসামগী সিলচরদা লৈরিবা ইন্দুপ্রভানা মহারাণী ওইনা পানখিবা মফমগী মোনুমেন্টস টেম্পলশিং উজরুবদা পূক্নিংদা নুংশিবা অমদি অঙকপা কয়া থেংনরকখি। উবদা নুংঙাইখিদবদি লংথোক্তুনা য়েংশিন্দনা থম্বীরিবা ইন্দুপ্রভাগী হিষ্ট্রিকেল মোনুমেন্টস, টেম্পলশিং অদুনি।

মশক মতৌ চঙখোনবী, মহৈ মশিং ৱাৎখিদবী মৈতৈ নিংথৌ মচনুপী ঙাক্তনি। করৌগীদমক পোক্নফম লমদম থাদোকলল্লগা মীরমদমগী নিংথৌ মচাশিংদা ওংখিবনো অহানবা ৱাহংনি। মখোয়না ওংলুগদৌরিবা মফমশিং অদুগী মীওইশিং নিংথৌ মচা ওইজরগসু শাজৎ, লোন, চৎনবী মান্নদবা ঙাক্তনি। মখোয়না করম্না হৈনরমগদগে? মখোয়না মীতোপ মীয়ানদা য়ূম-কৈ পানবা পামখিব্রা ? মতমদুগী চারৌ মৌরৌনরম্বগী মওং মতৌসি করিগীদমক নিংথৌ মচাশিংগী মফমদা ওইখিবনো? মীচমশিংসু তৌনখিব্রা ? ৱাহংশিং অসি শমলপ্না ইথন্তা হংজরকখি। মীগী মরমদা, শক চু শাজৎ মান্নদবা শকখঙনদবা অমদা হায়না-শীংনদুনা য়ূম পানবদি লায়রদনা স্বাইদা লৈবা ফাওবদা য়ানদবা কয়ানি। মশা মশানা য়ানদুনা খঙনদুনা চৎনখিবা চেনখিবনা অমনি। হায়ন-শীংনদুনা থাজনবা হায়বসি করিগুম্বা থৌরাং, পান্দম অমগী মখাদা চৎথনবা ঙাক্তনি। পাউখুম থিবদা ফংঙি মশাগী কান্নবগী ৱাদি অমত্তা নৎখিদে। লৈপাক মীয়ামগী কান্নবগী, লৈপাক ঙাক্নবগী, মণিপুরী মৈতৈ হায়বা কাঙলুপ অসি মুৎখিদনবা কন্নবগীনি হায়বসি ৱাহং হংবদা পাউখুম ওইনা চোংথোকলকখি।

মনিপুর অসি শা-লান য়াম্না কনবা অপীকপা লৈপাক অমা ওইরকই। য়ূমলোন্নবশিংগী মরক্তা লান তোয়না হৌরকখিবসি অৱা লৈবাকসিনি। কয়ারক ঐখোয় অৱাগী মখুৎতা মায়থিরকখি। অৱা লান থেংননবা হোৎনবসি মতমদুগী লৈঙাকলোইশিংগী মফমদা তুম্বা চাবদা খন্দুনতা লৈখিবা অমনি। মসিগীদমক থৌরাং অমদি মতেং ফংনবা হায়দুনা মতমদুদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মরক্তা খরনা মচানুপাশিং য়ূমলোন্নবা লৈপাক্কী নিংথৌশিংদা থাজদুনা ঙাই-শেন মরি মতা থমদুনা অমনা অমগী মতেঙ পাংনবা ওইনা নুংশিননা লৈমিন্নবা য়ানবা ৱাখল্লোন অমগী মখাদা মচাশিং থাজখিবনি হায়বসি চুমগনি । নিংঙোল ওইবীশিংনা মপাম লমদম নুংশিজখি। মরমদমগী য়াইফনবনি হায়বগীদমক্তনি মীরমদা লুহোংবা য়াখিবশি। মসি অচৌবা কৎথোকপনি।

মরমদমগী য়াইফনবা হায়দুনা অহল-লমন্না হায়না-শীংনদুনা থাজখ্রবী মৈতৈ চনুশিং অদুনা মীরমদা ওংখিবদা ঐখোয়নদি খঙখিদবা খুদোং থীবা কয়া মখোয়সু নঙখি। তেকখাও নিংথৌ রাজেশ্বরদা লৈমিন্নখ্রবা মতুংদা নিংথৌনা থুপখ্রবদা মনাও নুপানা কুরঙ্গনয়ণীদা মিৎয়েং কারল চল্লকখি। মনাও নুপাদা নত্তনা অতোপ্পা লমলানবশিংগী মীতানফম ওইরক্তুনা তেকখাও লৈবাক লান নংখি। কাং খোং চায়খি। লৌশিং চাওবী কুরঙ্গনয়ণীনা লৈঙাকলোন্দা শোক্তনবা, ইজ্জৎসু কন্নবা হোৎনখিবা কয়া তেকখাও মীয়াম্না কোন্না খঙলক্তুনা ঙসিফাওবা মাগী মমিং মৈতৈ চনু কুরঙ্গনয়নী হায়না শোন্নরি।

ইন্দুপ্রভাসু অদুমঙাই ৱাথোক চাওখি। মৈতৈ নুপীগী তোপ তোপ্পা মতৌ অসিদা য়াম্না কল্লক্নখি। ডিমাসাগী নিংথৌ মপুরোইবা কৃষ্ণচন্দ্র লৈখিদ্রবদা কুরঙ্গনয়ণীনা নৌনা লুখ্রা ওইখি। মনাও নুপানা নমদুনা ইন্দুপ্রভাবু লৌখি। ডিমসা হায়বসি মতমদুগী অসামদা খুৎকন পাঙ্গনখিবা কাঙলুপনি। ঙসিদি অসামদা ডিমাসা কাঙলুক্কী মমি মুৎখ্রে । ডিমাসাশিংনা ইন্দুপ্রভাবু লান্না লৌখি। ইন্দুপ্রভানা ডিমাসাশিংগীদমক হোৎনখিবা তৌরমখিবা কয়া অদু কাইনথংদা খঙলকখি। ঙসিসু মৈতৈ নিংথৌ মচানুপী ইন্দুপ্রভাগী ৱারী অসামদা শোন্নরি। অসামদা খূন্দরিবা মৈতৈ অহল-লমনশিং অমদি অসামগী মীওইশিংনা খঙবীরি,শীংথানবীরি। নিংঙোলনা ময়ূম হেক পানখিবগা মপাম লমদমগা মরী লৈনদবগুম পোক্নফম ওইরিবা মণিপুরনদি হরিশেশ্বরী, কুরঙ্গানয়নী, ইন্দুপ্রভাগী খোঙ্গুল মণিপুরগী লৈমায়দগী মুৎথৎপীরি। মণিপুরগী ৱাংমদা খূন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা ঙসিগী মণিপুরী মৈতৈ ময়াম অসি মৈতৈ নিংথৌশিংগী মচা নিংঙোলশিংনা লুহোংদুনা খুল্লানখিবদা লোয়নখিবা, ফিশা হৈবা, চাকথোং হৈবা, চৎন লোচৎ খঙবা, ফমশেন্নবা, শিন্তাকপুরেলশিং, শাদা লান্নদা থৌবা মৈতৈ ইপা ইতোনশিং অদুগী মচা মশু ঙাক্তনি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। নিংথৌ মচানা মীরমদা অওং অউন তমদুনা থাজখিবদা মথন্তা চৎখিদে মরী-মতা, মনাই মশন কয়া লোয়নফম থোকই। লম্বী থোং ফৎখিদবা, লম লাপখিবা, খুদোং চাদবা কয়ানা চৎখিবদগী হল্লকখিদবা মৈতৈ ইপা ইপল, ইচে ইন্দোল কয়া অমসু য়াওরি। অসামদা খূন্দরিবা মৈতৈ ইপা ইপু, ইমা ইবেনশিংনা হৌজিকসু মণিপুরসু নুংশিনা শোন্নরি। লাপ্না পোক্নফম লমদমবু খুরুমজহৌরি। ইম্ফালদা ঙাঙনদ্রবা লোন মৈতৈলোন অচুম্বা ফজবা অসামদা, কছারদা ঙাঙনবা য়াওরি। কছার লৈবাক্তগী অমুক বঙ্গলাদেশলোমদা ওংখিবা, চৎখিবা মৈতৈ কয়া অমসু লৈখ্রি । মখোয়না মণিপুরবু শোল্লি, নীংশিংলি। মণিপুরদা মৈতৈশিংনা অৱাবা তারে হায়বদা মখোয়না হেন্না ৱাহৌই। ঐগী মরুপ কছারদা লৈবা মৈতৈ মচা অমনা হায়রকপা ৱাহৈদো ঙসিসু নীংশিংঙি । - "মরুপ নখোয়দি ইমাগী মতমবাক্তা চেন চোংদুনা শান্নবা ফংলিবা মচানি। ঐখোয়দি ইমাগী মতম্বাক্তা শান্নবা ফংবদি লাইরদনা ইমাগী নুংশিবা চেংলৌ ফাওবা উবা ফংদনা মফম অসিদা পুন্সি লোমখ্রগদবা মচানি।" ❖

-*মাখোনমনি মোংসাবা*

## পোত্তবীগী শরৌ

*শিথা-শিথা*, মাগী মীনোক, থম্মোয় হুবী মাগী য়েংশিন্নদা মিৎয়েং, থৱায় তানা য়েংজখি মীৎ কুপ্তা ঐনা। মতৌদো উরগা ঐনা কয়াদা নুংশিজখিবা মাবু। মফজবগী মথক্তা খূৎশেম্নমুক হেন্না মফজহল্লি। মাগী চুঙ ফিরাল চারবী শাবান্দুদা ফিজেৎ লৈতেংলিবশিংদুনা অস! খঙদে ঙাওই। নুংশিবগী মথক্তা মতৌদুনসু হেন্নমুক নুংশিহল্লি। নুমিদাংৱাইগী কোরৌগী মঙালনা য়ৈবদা মাসে তশেংনা খূৎশেমগী থাজ ওল্লবা মী অমা থোরক্লব্রা ফাওবা খল্লুই। খঙদে, নুমিৎতুগী মীকুপতো ঐসে পুমঙাও হেক ঙাওখি। মাগী নুংশি ঈপাক্তা ঈরাক্লখি। চিক্লবা চীংগোল অদুদা। কনবীখি ঐবু চিংখৎপীদুনা মাগী নৌর খূৎশানা। মাগী তোর্ব্বান্দা ফমহনবীখি। লৈতানা পোত্থারিঙৈ মালংগী ঈংলবা শাহুমদা, মাগী ফিজিনা হুম্মাই ওইদুনা। খঙহৌদনা নোংলৈ অমনা চোইজাইনরবা শল্লাং শঙ্কুল লক, হুমখি, তামখি মিৎমাঙদগী। শামু খোঙয়েৎনহল্লম্বা ঐদি ইঙাং পাক্তক্না ইমু পামফেন্না শিনীংচিৎতা হিংহৌখি। অদুম কায়নখি। মমৈদা খঙনরকখি থৌদোক্তো মমা পোত্তবীগী শরৌ ওইরম্লে। অশেংবনি, নুমিৎতুগী মীৎকুপ্তো, থৌদোক্তা হিংলিমখৈ কাউররোই।

শিল্লা, করিগীনো নঙনা ঐগী ৱারী তারগা কপ্লিদি, কৈদৌরগে?

কপ্লু কৈনো, ইকায়রুনু।

কৈদৌবৈ ইকায়দুবা।

কপ্লগা কপ্তে হায়রিদু ইকায়দুনা হায়রি নৎত্রা?

মীনা অৱাবা নুংঙাইবা ৱারী লীরগা কপ্তুবা মীসে থম্মোয় কনগল্লি হায়।

অদুদি নঙদি, নঙগী নতৌদুনা ঐনা খঙই, নঙ নুপীনি, ঐগীদমকসু লেপ্পা ঙমগনি হায়বা।

খঙবীরেদা, গুম্ভীরগী পিরাং শিন্থবগুম ওইরল্লবদি কমদৌনি?

অদুদি চাথোকপীরোদনা ঐসে, চীংগোলসিদনি ৱারীদো।

চাদুইনি শেম শাজৌ। ফরেসে, ইবান্নি হৌখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক্কী ৱারী শানবা লাকপা নত্তে। নুংশি পন্থুংগীদমক লাকপনি , হল্লরোইদবনি।

এ! হল্লরোইদবা য়ূমদা?

হল্লরোই।

অদুদি নোংলৈ লাক্লসু হুমখিদনবা শুরুংগী মী ওইখ্রসে, চঙলসিরা লোক্লুংসিদা।

য়াই।

চৎমিন্নখি ৱারী শাবা য়াবা শামিন্নরল্লবা, ফম্বা য়াবা ফমিন্নরল্লবা মতুংদা শিল্লা অমসুং শিতম। তম্বা ঙম্বরা, শীঙ চনবা খুলগী পাখঙশিংনা লোক্লুংদা হৈয়িৎ অমুনবা হেক্তুনা মবান্নিতা চামিন্নরম্বা উবদগী ফাদুনা পুথোরক্লগা নুংদাংৱাই অদুদা চীংথ্রাও মপাল হেক্লগা লুহোংবীরে। মল্লাকান্দা নুপা ময়ূমদা থিনবীদুনা পাউ হন্দোক -হঞ্জিন তৌনরগা চাউনমুক মীয়াম খঙনা লুহোংদুনা ইকায় নুংশি য়ান্ননা নুংঙাইনা পানখি।

মতুংদগীদি চীংগোল অদুদা পাখং লৈশা চঙবা ক্লবনা থিংখি। পোত্তবীগী শরৌনা অহানবা কায়নখি। খুলগী শীঙ চনবা পাখঙশিংনা অনীশুবা থুংনহনখি। লৈকায় মীয়াম খঙনরকপদগী পাউ মথং মথং তানরকপদগী কায়নহনবগী মহুৎ মীয়াম খঙনা খোঙগোইনবগী মহুৎ, ঈংনা চিক্না থুংনহনখিবগীদমক, খুলগী শীঙ চনবশিংদু ক্লব মেম্বরশিংসু ওইরমদুনা, মখোয়বু মীয়াম্না থাগৎনখি।।◀◀

- *খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*